হুইয়েন লানপাউ

Vol. 39, Issue No. 330 | লৈবাকপোকপা, ফাইরেন ৯নি পানবা | অপুনবা লমায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Tuesday, February 16, 2016, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

জেনিমসতা পোক্লবা তুংদা মশা নারকপদগী রাজ মেদিসিটিদা লায়েংনবা থল্লম্লগা মমা-মপানা লৌবা লাক্ত্রবা থা ৪ রোম শুরবা নুপামচা অমা নর্স অমনা পম্বা



কক্চীং ৱাইরি সেনাপতি লৈকায় অমসু কক্চীং চুন্নাম লৈকায় অনী ফাওননবা সেংমাই তুরেলগী মথক্তা শাবা সস্পেন্সন ব্রিজ শঙ্গাবগী শক্তম



য়েলহৌমী নত্তবশিং এম পি এস সীনা লৌবা সিবিল সার্বিসেস কম্বাইন্দ ইগজামিনেসন অমত্তদা শরুক য়াবা য়ারোই হায়না লাউথোক্লিবা জোইন্ট কমিটিগী লূচিংবশিং




চান্দেল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা চেঙ্খু ভীলেজদা মশামক্কী লোয়নবী থাঙনা থিন্দুনা হাৎখ্রবা তুংদা কষ্টমরি লোগী মতুং ইন্না খুঞ্জাশিংনা য়ুম শিবগী শক্তম



## অ ঈং-অশাগী পাউ

| দিষ্ট্রিক্ট | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | এনএ °C | এনএ °C |
| চান্দেল | ২৬.৯১°C | ১৩.১৯°C |
| সীসীপুর | ২৫.৭০°C | ৮.৭৮ °C |
| ইম্ফাল | ২১.৩২°C | ৯.২১ °C |
| সেনাপতি | ২৫.১২°C | ৭.২৬ °C |
| তমেংলোং | ২৫.০৮°C | ১২.৩২°C |
| থৌবাল | এনএ °C | এনএ °C |
| উখ্রুল | ১৭.৯৬°C | ১০.৫৬°C |
| মণিপুর | ২৮.৭১°C | ৭.২৬ °C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৬.০১
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৪৫
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট, জি ও এম

# এম পি এস সীগী থৌশীল শেমদোক্লবা সী এল পিগী মীফম্না ৱারেপ লৌখ্রে

## নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টরগী ৱারোল সী এল পিনা কন্দেম তৌখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ (ঐচএনএস) ঃ
মণিপুর পব্লিক সার্বিস কমিসন (এম পি এস সী)গী মখাদা থা অসিগী ২৮দা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিবা মণিপুর সিবিল সার্বিস কম্বাইন্দ কম্পিটিটিব (প্রিলিমিনরি) ইগজামিমেসনগী ইলিজিবিলিটি ক্রাইটেরিয়াদা লৈরিবা চয়েৎনবশিংগী মতাংদা ঙসি চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা চ্যের লৌদুনা ফমখিবা কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টি (সী এল পি) মীফম্না কুপ্না খন্নরবা তুংদা ইলিজিবিলিটি ক্রাইটেরিয়া শেমদোক্নুনা ইগজামিনেসন নৌনা তৌহন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবদগী চীফ মিনিষ্টর'স সেক্রেটরিয়েট কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা সী এল পিগী মীফম্না ক্রাইটেরিয়া শেমদোকপগী ৱারেপ লৌখ্রে হায়বসি মীফম অদুগী তুংদা লৈঙাক্কী ৱাঙাংলোয়সু ওইরিবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এম ওকেন্দ্রোনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবনি।

মিনিষ্টরনা হায়খি, এম পি এস সীনা লৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুর সিবিল সার্বিস কম্বাইন্দ কম্পিটিটিব (প্রিলিমিনরি) ইগজামিমেসনগী মাঙওইননা য়েৎনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্নরক্লিবা অদু সী এল পিগী মীফম্না য়াম্না হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা কুপ্না খন্নখি। তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগী পব্লিক সার্বিস কমিসনগী রিক্রুটমেন্ট ক্রাইটেরিয়াশিংসু কুপ্না য়েংনরবা তুংদা হৌজিক চথরিবা এম পি এস সীগী রিক্রুটমেন্টকী ক্রাইটেরিয়া অসি নৌনা শেমদোকপগী তঙাইফদবা লৈরে হায়না মীফমদা শরুক য়ারিবশিংনা ফোঙদোক্লখি। ইগজামিনেসন অসিগা মরী লৈননা থোকখিবা এদভর্টিজমেন্ট অদু চৎনররোই, নৌনা পাঙথোক্লব-গীদমক মথৌ তাবা থবক লৌখৎনবা ঙসিগী মীফম্না ৱারেপ লৌখি।

অমরোমদা, উখ্রুলদা পাঙথোকপা লুই-ঙাই-নিগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর টি আর জেলিয়াংনা মণিপুরগী ঙমখৈগী শরুক্তা লাক্লগা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিনা য়েলহৌমী কন্নবা বিল অহুম পাস তৌখিবগী মতাংদা মহাক্না ফোঙদোক্লম্বা ৱাফম অদু সী এল পিগী মীফম্না অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখ্রে।

মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর অনীগী মণিপুর খোঙচৎ মণিপুর লৈঙাক্না তরাম্না ওকই। অদুবু মখোয়না ৱা ঙাংবদা ষ্টেট অসিগী খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা তোখায় তাহন্নবা ৱা ঙাংখিবা অদুদি কন্দেম তৌদবা য়ারোই হায়রি।

মণিপুরগী য়েলহৌমী কন্নবা এসেমব্লিনা বিল অহুম পাস তৌখিবা অদুগী ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*



## ইগজিক্যুটিব কাউন্সীল

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ ঃ জোইন্ট কমিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেমগী ইগজিক্যুটিব কাউন্সীল নৌনা শেমখ্রে। নৌনা শেমখ্রবা কাউন্সীল অসিদা হান্না কনভিনর ইন-চার্জ ওইরম্বা খোমদ্রাম রতন কনভিনর ওইরে। বি কে মোইরাংচা, পি আর্জুন তেলহৈবা, এম দি খৈরুদ্দিন শাহ মোইজিংময়ুম, হাওপু কোম অমসুং কে এস ঐচ সোমোরেন্দ্রো কো-কনভিনর ওইনা তোঙান তোঙানবা ফম পুরগনি। ইগজিক্যুটিব মেম্বর ওইনা ওফিস সেক্রেটরিগী ফম জিতেন্দ্র নিংথৌজম্না পুরগনি। অতৈ ইগজিক্যুটিব মেম্বরশিং অদুদি এম দি হয়াতুর রহমন য়ুমখাইবম, ৱাইখোম রবি, ঙাংঙোম দেবনি। কনভিনর ষ্টুদেন্টস ৱিংনা ওইনাম নন্দবাবুনা পুরে হায়রি।

## মমা-মপানা লৌরদ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ ঃ জেনিমস হোস্পিটালদা অঙাং উনরবা তুংদা পোকপদা ঙাইরিবা নুপামচা অদুগী ফীভম শোকচিল্লকপদগী রাজ মেদিসিটিদা লায়েংবদগী ফগৎলক্লবা মতুংদা অঙাং অদুবু লায়েংনবা থল্লম্বা মমা-মপানা লৌবা লাক্ত্রে হায়না হোস্পিটাল অসিগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল মেনেজর দিনেশ ক্ষেত্রিময়ুমনা ফোঙদোকখ্রে। পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না হায়খি, পোকপদা ঙাইরিবা অঙাং অদু মমাঙ চহীগী নবেম্বর ১৩গী নুংথিল পুং ২.১৭ রোম তাবদা জেনিমস হোস্পিটালদগী রাজ মেদিসিটিদা...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

## য়ু পি এফকী মরাথোন

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ ঃ য়ুনাইটেদ পীপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) না শীন্দুনা ১০শুবা মেগা মরাথোন লাক্লিবা এপ্রিল ৩ দা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা মীয়াম্না মপুঙ ফানা শরুক য়াবীনবা আপিল তৌরক্লি। কৈশামথোংদা লৈবা য়ু পি এফকী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট সোরাইসম রতনকুমারনা হায়খি, রন ফোর য়োর নেসন, রন মেগা মরাথোন মণিপুর হায়বা থিমদা পাঙথোক্কদৌরিবা মেগা মরাথোন অসিদা নুপা অমসুং নুপীগী সেক্সন অনীদা ওপন...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

## FOREX (INDIA RUPEES)


| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 76.068851 |
| US Dollar | 68.039268 |
| British Pound | 98.472555 |
| Australian Dollar | 48.673019 |
| Chinese Yuan | 10.475892 |
| Japanese Yen | 0.596203 |
| Malaysian Ringgit | 16.470211 |
| Nepalese Rupee | 0.625039 |
| Russian Ruble | 0.880077 |
| Singapore Dollar | 48.623748 |
| South Korean Won | 0.056265 |
| Bangladesh Taka | 0.86846 |
| Myanmar Kyat | 0.05527 |
| Thailand Baht | 1.910614 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 27,888 |
| Delhi | – | Rs 27,594 |
| Kolkata | – | Rs 30,363 |
| Mumbai | – | Rs 30,588 |

## অস! লোইরেহে!

লুহোংবিরগা ফনি'না হোংখিবা নচানুপাদুবু ৱাখল তারব্রা...?



মখোয় খৎনবগী ৱায়েলদা ঐ লোইরে!

# লূ-নানবগী ফীভম ফগৎলকপগী এৱার্দ পীবদা ইম্ফাল সিটি য়াওরে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ (ঐচএনএস) ঃ
সেনিটেসনগী তোঙান তোঙানবা লমদা শীংথানিংঙাই ওইবা মওংদা থবক তৌদুনা লূ-নানবগী ফীভম ফগৎলকপা লৈবাক অসিগী সিটি ১৫ খনগৎপদা ইম্ফাল য়াওরে।

অর্বান দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর এম ভেকয়া নাইদুনা 'স্বাছ সর্ভেকশান-২০১৬' কী ফল লাউথোক্লদুনা লূ-নানবগী ফীভম ফগৎলক্লবা সিটি ১৫দা ট্রোফি অমদি মমেন্টো খুৎশিন্নখি। ইম্ফাল সিটিগী ওইনা এৱার্দ অদু ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন চ্যেরপর্সন এ নিমাই শর্ম্মা, মহুদকী দিরেক্টর এন গীতকুমার অমসুং ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী ইগজিক্যুটিব ওফিসর এন জি উতমদা অর্বান দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর ভেনকয়া নাইদুনা খুৎশিন্নখি।

সেনিটেসনগী ফীভম ফগৎলকপগীদমক মনা পীখ্রবা সিটিশিং অদুদি মথংশিৎনা *ওভরওল বেষ্ট পার্ফোমিং সিটিদা* মাইসুরু, *বেষ্ট পার্ফোমর ইন নোর্থ জোন এন্দ বেষ্ট ইন সিটিজেন ফিদবেক কেটিগোরিদা* চান্দিগর, *বেষ্ট পার্ফোমর ইন বিহেবিয়র চেঞ্জ কম্যুনিকেসনদা* তিরুচিরাপলি, *বেষ্ট পার্ফোমর অমং স্মার্ট সিটিজ এন্দ বেষ্ট ইন সার্বিস লেভেল ষ্টেটসতা* ন্যু দিল্লি ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল, *বেষ্ট পার্ফোমর ইন সাউথ জোন এন্দ বেষ্ট ইন্দিপেন্দেন্ট ওবজার্ভর কেটিগোরিদা* বিসাখাপত্নম, *বেষ্ট পার্ফোমর ইন ৱেষ্ট জোনদা* সুরত, *বেষ্ট পার্ফোমর ইন দোর-টু-দোর কলেক্সন এন্দ ট্রান্সপোর্টেসন ওফ সোলিদ ৱেষ্ট এন্দ স্বিপিংদা* রাজকোট, *বেষ্ট পার্ফোমর ইন নোর্থ-ইষ্ট এন্দ বেষ্ট পার্ফোমর অমং কেপিটেলসতা* গেংতোক, *বেষ্ট পার্ফোমর অমং সেটলাইট সিটিজদা* পিম্প্রি চিন্দৱদ, *বেষ্ট পার্ফোমর অমং মেগা সিটিজদা* গ্রেটর মুম্বাই, *টোপ মুভর ইন নোর্থ জোনদা* অলাহবাদ, *টোপ মুভর ইন ৱেষ্ট জোনদা* নাগপুর, *টোপ মুভর ইন সাউথ জোনদা* বিসাখাপত্নম, *টোপ মুভর ইন ইষ্ট জোনদা* ভুবনেশ্বর অমসুং *টোপ মুভর ইন নোর্থ ইষ্টতা* ইম্ফালনি।

লূ-নানবগী ফীভম ফগৎলক্লবা সিটিশিং অদু ঈকায় খুম্নবা উত্তুনা মনা পীবগী থৌরম অদুদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ভেনকয়া নাইদুনা হায়খি, অপুনবা মীশিং লাখ ১দগী হেনবা সিটি ৫০০বু চহী খূদিংগী লূ-নানবগা মরী লৈননা সর্ভে তৌবগা লোয়ননা খ্বাইদগী ফবা সিটিদা রোল্লিং ট্রোফি পীগনি। ষ্টেটশিংনা মশা মশাগী সিটিশিংবু লূ-নানবগী মতুং ইন্না মনা পীবগা লোয়ননা চপ মান্নবা মওংদা অর্বান লোকল বোদি খূদিংমক্নসু খ্বাইদগী ফবা ৱার্দতা মনা পীহনবগী থৌরাং লৌখৎলগনি হায়খি।

খ্বাইদগী ইকোন কোনবা ওইনা কুমজা ২০১৪দা অপুনবা মীশিং লাখ ১ হেন্না লৈবা সিটি ৪৭৬তা ক্লিনলিনেস সর্ভে পাঙথোকখি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মমাঙ চহীগী ওক্টোবর থাদা স্বাছ ভারত মিসন হৌদোক্ত্রি ঙৈদা সর্ভে অসি পাঙথোকখিবনি। ক্বালিটি কাউন্সীল ওফ ইন্দিয়ানা অখন্নবা টিম ২৫ শীজিন্নরগা সর্ভে অসি পাঙথোকখি।



## প্রো. খগেন্দ্রদা সাহিত্য একাদেমি ট্রান্সলেসন এৱার্দ-২০১৫ পীরগনি



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ (ঐচএনসী) ঃ
বেঙ্গলগী অইবী মহাস্বেতা দেবীনা ইবা *হজার চৌরশির মা* হায়বা লাইরিক অসি মীয়াম্না শকখঙ মায়খঙনরবা অইবা প্রো. নাওরেম খগেন্দ্রনা মীতৈ লোন্দা হন্দোক্লগা ফোঙবা *লীশিং অমা শুপ্না মরিফু মরিগী মমা* হায়বা লাইরিক্তা সাহিত্য একাদেমি ট্রান্সলেসন এৱার্দ-২০১৫ পীনবা খনখ্রে।

এৱার্দ অসিদা শেল ওইনা লুপা লীশিং ৫০, সাইটেসন অমা অমসুং লেংয়ান ফি অমা য়াওরি। সাহিত্য একাদেমি, ন্যু দিল্লিনা শীনবা থৌরম অমদা এৱার্দ অসি প্রো. নাওরেম খাগেন্দ্রদা লান্থোক্কনি। ট্রান্সলেসন এৱার্দ পীনবা খল্লবা প্রো. নাওরেম খগেন্দ্র খগেম্পলি পনখাদা কুমজা ১৯৩৯গী এপ্রিল ১দা পোকখি।

দিল্লি য়ুনিভর্সিটিদা ইংলিশ সবজেক্টতা মাষ্টর পাস তৌরকখি। তুংদা মহাক মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদগী পি ঐচ দি ফংখি। দি এম কোলেজদা কুমজা ১৯৬৬তগী ১৯৭২ ফাওবা লেকচরর ওইরম্মী। ...*মখা লামায় ৩ কলম ৫*

## এম পি এস সী ইগজামগী চৎন-কাঙলোন শেমদোক্ত্রবদি খোঙজং চঙশিনগনি : জয়কিষণ

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ (ঐচ এন এস) ঃ
মণিপুর পব্লিক সার্বিস কমিটি (এম পি এস সী) ইগজামগী চৎন-কাঙলোন শেমদোক্ত্রবদি খোঙজং কয়া চঙশিল্লগনি, এসেমব্লিদসু পুখৎকনি হায়না এম এল এ খুমুকচম জয়কিষণনা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

থাংমৈবন্দদা লৈবা এম এল এ জয়কিষণগী য়ুমদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না হায়খি, এম পি এস সী ইগজামগী চৎন-কাঙলোন অসি শেমদোকহৌদ্রবদি ষ্টেটসিগী ওইনা অরুবা ফীভম লাক্কনি। ষ্টেট কয়াদা চৎনদবা মওংদা মণিপুরদা এম পি এস সীগী ইগজামগী চৎন-কাঙলোন অমা শেল্লকপসি য়াম্না লাইবক থিবনি। এম পি এস সী ইগজামগী চৎন-কাঙলোন শেমদোক্তবা তারবদি অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি। চৎন-কাঙলোন অসি শেমদোকহন্নবসু হোৎনগনি।

এম পি এস সীনা ইগজামগী নোটিফিকেসন থোকপদা হাপ্লিবা চৎন-কাঙলোন অসিগী মতাংদা অথুবদা লৈঙাক্না ফিরেপ অমা লৌদুনা হন্দোকহনগদবনি। চৎন-কাঙলোন অসিগী মখাদা ইগজাম পাঙথোকপা মতমদা ষ্টেটসিগী ওইনা চাউনা মাঙজবা লৈগনি। হীরমসিগী মতাংদা এসেমব্লিদসু পুথোক্কনি।

ষ্টেট কয়াদা মাগী মাগী ষ্টেটশিং অদুগী সিবিল সার্বিস ইগজাম পাঙথোকপগী চৎন-কাঙলোন শেম্বা মতমদা ষ্টেটশিং অদুগীদমক খল্লগা চৎন-কাঙলোনশিং শেম্মী। ষ্টেট খরদা সিবিল সার্বিস থাগদবশিং অদু ষ্টেট অদুদা লৈবা মী ওইগদবনি অমদি দোমিসাইল সার্টিফিকেট হাপকদবনি হায়বা কাঙলোন য়াওই। ষ্টেট অসিগী ওইনা শেল্লিবা মওং অসি য়াম্না চুমদবা থৌওংনি। মপানগী মীওইশিংনা ষ্টেটসিগী লৈঙাক্তা অচৌবা মফম কনখিনবগী মরুওইবা মরম অমা ওইরক্কনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

এম এল এ জয়কিষণনা মখা তানা হায়খি, বি জে পি মণিপুর প্রদেশতা মচেৎ-মকায় তাবা নৎত্রগা দিসিদেন্ট হায়বা ৱাফম লৈতে। কনাগুম্বা খরনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী মনুংদা দিসিদেন্ট কাঙবু লৈবা মানবা মওংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকপসু য়াওরে। অসিগুম্বা থৌওং অসি লৈহন্নিংদে। পার্টি প্রসিদেন্ট খনবগী থবক অসিদি সেন্টরগী লিদরশিংনা খঞ্জরক্কদবনি। বি জে পি ষ্টেট য়ুনিটনা পার্টি প্রসিদেন্ট খনবগী হক লৈবসু নত্তে।

বি জে পি মণিপুরগী হৌজিক প্রসিদেন্ট ওইরিবা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৫*

## মপুরোইবনা লোয়নবী হাৎখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ ঃ মচা অহুম লৈরবা নুপা অমনা মহাক্কী লোয়নবী থাঙনা থিন্দুনা হাৎখ্রে। মীহাৎপদা শীজিন্নবা থাঙ অদুগা কোন্ননা মপুরোইবদু পুলিসনা ফারে।

পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়, নুপী হাৎপগী থৌদোক অদু ঙরাং নুমিদাং পুং ৯.৩০ রোম তাবদা থোকখিবনি। লৈখিদ্রবী নুপী অদুগী মমিং বেমনু বাইতে (৩১) কৌই। মহাক চান্দেল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা চেঙ্খু ভীলেজদগীনি। মহাকপু থাঙনা থিন্দুনা হাৎখিবা মপুরোইবা অদুগী মমিংনা কানরিং থাপা, অপোকপগী মিং পুর্নে থাপা কৌই। মখোয় অনী ঙাইহাক লৈতনা নিংঙাই-শংদাইনবগী থৌদোক থোকই। ঙরাংসু খৎন-চৈনবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা থোঙ ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

## আর পি এফনা ক্লেম তৌরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ ঃ উখ্রুল দিষ্ট্রিক্তকী হুন্দুং জঙ্কসন্দা লৈবা কে বি এস ওইল পম্প মনাক্তা ঙরাং নুংথিল পুং ৫.৩০ রোম তাবদা পি এল এগী স্পেসল ৱারফ্যের কাঙবুনা গাড়ী তোংদুনা লাকপা ৪১শুবা এ আরগী মথক্তা পোকখায় লাং থাক্তুনা লান্দাখ্রে হায়না রেভল্যুসনরি পিপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ)কী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটিগী চীফ বঙ্কিমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। লান্দাবা অদুদা এ আরগী গাড়ী অমা ফীভম থিনা শোকপগা লোয়ননা মদুদা তোংলকপা লান্মীশিং অশোক-অপন নংহনখি। পি এল এগী স্পেসল ৱারফ্যেরগী কাঙবু অসিনা লোই লৈঙাক্লিবা অমসুং মীচম অওৎ-অনৈ তৌরিবা লম্লৌ লান্মী ৪১শুবা এ আরগী মথক্তা লান্দাখিবা অসিগীদমক ৱার ওফিসতগী চীফ ওফ আর্মী ষ্টাফনা থবক অসিবু শিল-লাংখিবশিং, থবক অসি পাঙথোকপদা শরুক য়াখিবশিং, স্পেসল ৱারফ্যেরগী মীওইশিং অমদি মতেং পাঙখিবা খূদিংমকপু থাগৎখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## এম এন পি এফনা চথখিবনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ ঃ উখ্রুল দিষ্ট্রিক্তকী লিতানদগী লুংফুং চৎপা লম্বীদা ঙরাং অয়ুক পুং ১১.২০ রোম তাবদা ৪১শুবা এ আরগী মথক্তা বোম পোকখায়হনখিবা অদু মণিপুর নাগা পিপল'স ফ্রন্ট (এম এন পি এফ)ননি হায়না এম এন পি এফকী এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরি থোমাস ন্যুমাইনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। বোম পোকখায়হনখিবা অদুদা এ আরগী ট্রক অমদা তোংলকপা পর্সনেলশিং অশোক-অপন নংখি। মণিপুরবু নীংতম্বা হজিনদ্রি ফাওবা অমসুং মীচম মীয়াম্বু মীওৎ-মীনৈ লেপত্রিফাওবা এম এন পি এফনা মণিপুর নাগা মীয়ামগীদমক অরোইবা ফাওবা লেপকনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## এম পি এস সীগী চৎন-কাঙলোন নুমিৎ ৩নিগী মনুংদা শেমদোক্কদবনি : দেসাম, এইমস

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ (ঐচ এন এস) ঃ
মণিপুর পব্লিক সার্বিস কমিসন (এম পি এস সী)না লৌবা মণিপুর সিবিল সার্বিস কম্বাইন্দ কম্পিটিটিব ইগজামিনেসন, ২০১৫-১৬গী চৎন-কাঙলোন নুমিৎ ৩নিগী মনুংদা মণিপুর লৈঙাক্না শেমদোক্কদবনি হায়না দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) অমদি এইমসনা পুন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

দেসামগী ভাইস প্রসিদেন্ট এ আনন্দ অমদি এইমসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাজেশ য়ুম্নামনা পুন্না খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থা অসিগী ২৮দা পাঙথোক্লবা মতম লেপ্লিবা এম পি এস সীনা লৌবা সিবিল সার্বিস ইগজামগী চৎন-কাঙলোন্দা ইন্দিয়াগী সিটিজন অমনা হেক্তমক কেন্দিদেট ওইবা য়াই হায়বা ৱাফম য়াওরিবসি নুমিৎ ৩নিগী মনুংদা মণিপুর লৈঙাক্না শেমদোক্কদবনি।

মণিপুর ষ্টেটকী দোমিসাইল সার্টিফিকেট য়াওদনা এপ্লিকেসন থাজিল্লকখিবা অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী মীওইশিংদগী এম পি এস সীনা লৌখিবা ফী অথুবা মতমদগী মনুংদা কেন্দিদেট মশা মশাদা হন্দোকখিগদবনি। মণিপুর লৈঙাক অমদি এম পি এস সীগী মথক্তা দেসাম অমদি এইমসনা মহেরোয় খুন্নাই অমদি লৈবাক মীয়ামগা লোয়ননা অকনবা খোঙজং কয়া য়েলহৌমীগী চাকথুং কলহৌনবগী পান্দমদা য়ুম্ফম ওইদুনা চঙশিল্লগনি। এম পি এস সীনা চথরিবা থৌওং অসিগী মতাংদা মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকপা লৈরে। মখল কয়াগী খোঙথাং লৌখৎনরকপা অসিমক য়াম্না চুম্বা খুন্নাই অসি কন্নবা খোঙথাংনি হায়না লৌই।

লমদমসিগী মশক নাইরবা লূপশিং অমদি মীওই কয়ানা এম পি এস সীগী চৎন-কাঙলোন অসি শেমদোক্লবা ফোঙদোক্লরক্লি। হৌজিক চথরিবা থৌওং অসি খুদক্তা লেপ্নবা খঙহল্লক্লিবা ৱাফমশিং মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টর অমদি কেবীনেট মিনিষ্টরশিংনা য়াম্না লুম্না লৌফম থোকই। খুদক্তা অখন্নবা মীফম কৌদুনা য়েলহৌমীশিংগী চাকথুং কনগদবা অচুম্বা ৱারেপ লৌফম থোকই। অখুবা মীৎয়েংদা থবক তৌবীগনু। তুংগী খুন্নাইসিগী অশানবা মীৎয়েং অমদা থবক তৌবীয়ু।

মীয়াম অমদি মহেরোয়শিংগী ঈহৌ লাকহন্নবা হোৎনফম থোক্তে। ৱাফম অসি লৈঙাক্না অরেম্বদা তাহনবীগনু। মীয়াম, দেসাম অমদি এইমসকী থাজবশিং মাঙহনবীগনু। লৈঙাক্না থৌশাদদুনা মণিপুরগী য়েলহৌমীশিংগী অপাম্বগী মায়োক্তা থম্মোয় শোকপা থবক তৌরক্লবদি মদুদা থোরকপা অফ-ফত্তগী ফল খূদিংমক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা থৌদাং পুগদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## জষ্টিস রাকেশ রঞ্জন মণিপুর হায় কোর্টকী জজ ওইনা ৱাশক লৌখ্রে



চীফ জষ্টিস এল কে মোহাপত্রা (ওয়), জষ্টিস রাকেশ রঞ্জন প্রসাদ (য়েৎ)

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ (ঐচএনএস) ঃ
ঝরখন্দ হায় কোর্টকী জজ ওইরম্বা জষ্টিস রাকেশ রঞ্জন প্রসাদ ঙসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জজগী থৌ পুনবগীদমক ৱাশক লৌখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ১১ তাবদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা চীং লেম্লবা থৌরম অমদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস, জষ্টিস এল কে মোহাপত্রানা জষ্টিস রাকেশ রঞ্জন প্রসাদপু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জজগী থৌ পুনবগীদমক ৱাশক লৌখি।

ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জজ জষ্টিস এন কোটিশ্বর ...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

## 'অপুনবগী শক্তম থুগাইনবা হোৎনবশিং থেংনমিন্নসি'

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ (ঐচএনসী) ঃ
মণিপুরদা খুন্দারিবা নাগা ফুরুপকী খ্বাইদগী চাউবা মরু-মরাং হুনবগী কুম্মৈ লুই-ঙাই-নি ঙসি চীংমৈরোংদা লৈবা ট্রাইবেল রিসার্চ ইন্সটিট্যুট (টি আর আই)দা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর গভর্ণমেন্টনা শীন্দুনা ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোকখিবা কুম্মৈ অসিদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকর টি ঐচ লোকেশ্বরনা হায়খি, চহী চা কয়াদগী খুন্দামিন্নরক্লবা ফুরুপশিংনা নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নরি। অদুবু ঐখোয় মশেলগী মরক্তা হুন্দুনা



ঙাংনরিসিগী কান্নবা করি লৈবগে? ঐখোয় পুম্নমক ইমা অমত্তগী মচানিহায়রগা করিগী নুংশিনরোইদৌরিবনো? লৈমিন্নরিবা ফুরুপ খূদিংমক্না অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন্দা লৈমিন্নরবদি মালেমগী অকনবা শাফু অমত্তনা চীং-তমগী মরী অসি থুগাইবা ঙম্লোই। মায়কৈ কয়াদগী মণিপুরগী অপুনবা শক্তম থুগাইনবা হোৎনরক্লি। মরম অদুনা অপুনবগী শক্তম থুগাইনবা হোৎনরকপা খূদিংমক থেংনমিন্নসি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, কুমজা ১৯৮০দগী হৌনা মণিপুর লৈঙাক্না লুই-ঙাই-নিগী থৌরম অসি পাঙথোরক্লি। লমদমসিগী ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরম্বা কুম্মৈ অসি পরম কায়দনা পাঙথোকপসি থাগৎলি। অসিগুম্বা ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংনা থল্লম্বা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*




ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৮৫৬৫৯৪২৬২